ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ০২, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৩৯ শুবা মশীং

**কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদ**

*কাঙলুপ মশেল নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবদা অকায়বা লাক্কনি*

***মরা*** চেৎপা লৈঙাক অমা লৈত্রবা নৎত্রগা পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা মতীক চাদ্রবদি লৈবাক কাং-খোং চাইবা হায়বদু থোকই। দিমোক্রেসিগী ফিবান্নুংদা অফবা লৈঙাক অমা হায়বসি মীয়াম্না অকি-তুজুংবা, মীপাইবা য়াওদনা ঈংনা-তপ্না পুন্সিরোল অমদা লৈবদুনি। ৱাত্ত-পাদবা হায়বদুনা মীওইবগী লাইবক্কী খুদোলনি হায়জরগসু তঙাই ফদবা পোৎলমশিং চাংচানা অমসুং মফম চানা ফংহনবা হায়বদুদি অফবা লৈঙাক ওইরবসু, ফত্তবা লৈঙাক ওইরবসু মখোয়গী মথৌদাংনি। লৈবাক অমদা কনাগুম্বা খরনা তৌনিং-তৌনিংবা তৌরকপদা মখোয়বু লাকশিনবা ঙমদ্রবা, মখোয়গী থবক থৌরম্না মীয়াম পুম্নমক অৱাবা মায়োক্নবা তারবদি মখোয়বু লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎতুনা ফংফম থোকপা ফত্তবগী মহয় ফংহন্নবা থবক তৌবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। অমরোমদা নেসনল হায়ৱেশিংদা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা য়াদে হায়বসি সুপ্রিম কোর্টনসু ময়েক শেংনা য়াথং পীখিবা লৈখ্রে। হায় কোর্টনসু ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎননবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। কোর্টনা পীখিবা য়াথং অদু থবক্তা ওন্থোকপা হায়বসি লৈঙাক অদুগী শরুক অমা ওইজরগসু পুলিস ফোর্সতনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপগী চাংদি য়াম্না নেম্লি। শম্না হায়রবদা মমিংদগী ওইনা থবক তৌরি। লাইবক ফবদি য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরি ফাখিবগী ৱানি। মখোয়না করিগুম্বা সেনাপতিদা লৈরম্বা থোক্লবদি ফাবা ঙম্বগী ৱাফম লৈতে। লৈঙাক্না নৎত্রগা মীয়াম্না হায়রকপা থিদনা পুলিসনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌদবা হায়বসি অফবা নত্তে।

হৌখিবা নবেম্বর ১ দগী নেসনল হায়ৱেশিংদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না সদর হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মতাংদা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চথবা হৌরকখি। ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা মতম শাংজিল্লকপদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিরোলদা শাথিনা অহোংবা লাকখি। তঙাইফদবা পোৎলম-চৈরমশিং ফংদবগী মথক্তা মমল হেন্না য়োনবগী চৈফু অমা মণিপুরগী মীয়াম্না মায়োক্নদুনা লাক্লি। মখোয়গী ইকনমিক ব্লোকেদ হেন্না কনশিলহনবা মওংদা নোনেদা মীয়াম হৌরক্তুনা পোৎ-চৈ পুরকপা ট্রকশিংগী ৱিন্দ সিল্ড গ্লাস, হেদ লাইট অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম নোনে কৈথেলদা থুগাইদুনা মাঙ-তাকহনবা হৌরকখি। মাঙ-তাকহনবগী মওং মতৌ পুম্নমক সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপগী মীপুম তিংনা থোকখিবা থৌদোক অদু কয়ামুক য়াম্না তমথীবনো হায়বা খঙবা ঙম্লখি। অদুগুম্বা থৌদোক অদু সোসল মিদিয়াদা উরুবদগী নহা কয়ামরুম শাউনরকখি অমসুং লম্মন খুম্বগী মওংদা কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং হেন্না কনশিল্লকখি। চীংগী মনুং হঞ্জিনবা অমসুং অতৈ মফমশিংদা পুনশিন্নবা লৈজরকপা পোৎলম কয়ামরুম লৈমায়দা থাদদুনা চৈথাইখি অমসুং মাঙ-তাকহনখি। থৌদোকশিং অসি থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ইকনমিক ব্লোকেদ হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমনি। ক্রাইম অসিনা ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খরদদি মপুক্লিং ফাথবা ঙম্লক্তে। মসিনা পামদবা থৌদোক থোক্লক্লবগী মচাক অমা ওইহল্লি। তঙাইফদবা পোৎলম ফংহন্দবা অমসুং মমল হেন্না য়োলহনবগী তেকচাক পুম্নমক ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরিবশিংগীনি খল্লুবদা শাউনবা য়াওরকই। অসুম্না মখোয়গী মথক্তা লম্মন খুম্নবগী ৱাখল্লোন্দা কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদ চথরকপনি। ইকনমিক ব্লোকেদ অমসুং কাউন্টর ব্লোকেদ অনীমক মণিপুরগী মীয়ামদা শোকহল্লি। মসিনা চহী লিশিং কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মচিন-মনাওগুম্না লৈমিন্নরকপগী মরীদা শোকহল্লি। পুক্লিং ফাথবা ঙমদবা মীওই খরগী অশাউবদা কাঙলুপকী ঈরাং ফাওবা থোরকপা য়াই। মরম অদুনা মণিপুরগুম্বা কাঙলুপ কয়ানা খুন্দাবা মফমদা ব্লোকেদ অমসুং কাউন্টর ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবা চুপ্লোই। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙলগা ৱাথোকশিং অসি পোলিটিক্সকী মীৎয়েং নত্তবা লোগী মীৎয়েংদা পুশিল্লগা থবক তৌহন্নিংই।

**••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••**

**অথুবা মতমদা কোয়লাস থাবীনবা হায়জবা**

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**খাঙবোক্কী** ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ৱিজদম ফাউন্দেসন স্কুল অনীমক্কী চঙফম ওইরিবা লম্বী, খাঙবোক হায়স্কুল অমসুং টেলিফোন ওফিস অমদি এম পিগী নাকন্দা লৈরিবা মরক্কী লম্বী অসি হৌখিবা থাদা পাকা লৌবিখ্রগা ঙসি ফাওবা কোয়লাস থাবীদনা লৈরে। য়ারগদি অথুবা মতমদা কোয়লাস থাবীনবা মরী লৈনবশিংগী মফমদা হায়জরি। মরমদি লম্বী অসি স্কুল অনীমক্কী অঙাংশিং অমদি ওজাশিংগী চখোক চৎশিন্দা য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী অমনি। হান্না পাকা লৌবিরম্বা নূং অদু ফক্কৎপা য়াওদুনা সাইকল অমদি গাড়ীনচিংবা চৎপদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইত্রে। হঙোই চোংবগুম চোংদুনা চৎপা অমদি গাড়ী অমসুং সাইকলগী নত কয়া লম্বী অসিদা থৌদুনা চৎপদা তাহৌবা য়াওনরে। লোয়ননা খোঙনা চৎপসু হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইতবা পোক্নরে। পোইনু থা লাক্লবনিনা লৌমীশিংসু হায়রিবা লম্বী অসিদা য়াম্না তোয়না হঙ্গৎ হন্দা লৌ-শিং শুবগী চৎনগদবা মরু ওইবা লম্বী ওইবনিনা অথুবা মতমদা শেমজিলহন্নিংই।

অরোইবদা অমুক্কা হন্না হায়জনীংবদি, অথুবা মতমদা লম্বী মতেক অসি কোয়লাস থাবীদুনা মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসি কোকহনবীনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জরি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩**

১। 'তৎখ্রবা পুন্সি লৈপুন' ইবগীদমক একাদেমী এৱার্দ ফংখিবা অইবদু কনানো?
২। কবি শ্রী বীরেন্না লীলা অমখক ইরম্মী। মমিংদু করি কৌবগে?
৩। অইবী খাইদেম প্রমোদিনীনা নোভেল অমখক ইরম্মী। মমিংদু করি কৌবগে?
৪। 'The Shadows of Statues' হায়না ইংরাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকখিবা হন্দোক্লোয়দু কনানো?
৫। 'নিংঙোল কা' রেদিও দ্রামাগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হায়ৱেদা ইকনমিক ব্লোকেদ ঃ য়ু এন সীদি মাঙজৌননা ৱা তানরম্ব্রা?**

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

**নেসনল** হায়ৱেদা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরিবসি মীয়াম পূম্নমক্তা (ষ্টেক হোলদরশিংদা) ৱা তানরম্বরা? হংনিংহল্লি ৱাহংসি। হংলিবসি য়ু এন সীদনি। মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌগনবা চীংগী লূপ পূম্নমক্তনি। হন্দক য়ু এন সীনা তৌরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ মতম কক্তনা তৌরিবসি মণিপুরগী মরী লৈনবা লূপ/ষ্টেক হোলদরশিংগা ৱা তানরম্বা লৈতে। মখোয়খক্তনা লৌজখিবা ৱারেপনি। অমরোমদা মখোয়নদি হায়রি মদুদি সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেন্দা মখোয়দা ৱা হান্না তানরমগদবনি হায়বসিনি। থবক অমা তৌদ্রিঙৈদা ৱা তানবা হায়বসিদি তৌগদৌরিবা থবক অমদি ৱা তান্নগদৌরিবা মী নৎত্রগা লূপ অদু থবক অদুগা য়াম্না মরী লৈনবা ওইগদবনি। সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেন্বা হায়বসিদি লোনা য়াদুনা লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্টখক্তনা তৌগদবা থবকনি। গভর্ণমেন্ট নত্তনা অতৈনা তৌবা য়াবা থবক অমা নত্তে। অদু ওইরবদি য়ু এন সীনা দিষ্ট্রিক্ট শেন্দা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী পাঙ্গল লৈতে। মখোয়দা গভর্ণমেন্ট অমনা মথৌ তৌবগী পৱার অদু লৈবা নত্তে। ৱাফম অসি নোক্লিংবা অমা ফাওরকই।

ৱা তানবগী ৱাফমসি পাক চাউথোরকই মথং মথং। য়েংসি করি করিনো হায়বদু। য়ু এন সীনা হায়রি মণিপুরগী অসিগুম্বা মফমশিং অসি নাগাগী লমনি। মখোয়গী মপা-মপুশিংনা থম্বীরম্বা লমনি হায়রি। হায়রিবা লম অদু কদায়দগীনা কদায় ফাওবগী পাক চাউবনো হায়বদু থায়নদগী লৈরকপদি নত্তে। থায়নদি নাগাগী লমনি হায়বসি শুক্তা তারক্তে। তারক্লিবসি চহী খরগী মমাঙদগীনি। মতমদু কুইদ্রি হায়বা য়াই। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈরকপা ৱাফম অমদি নৎত্রে। ঙরাংতা য়ু এন সী পোক্লক্লবা মতুংদা ৱাফমসি লাকপনি। অদু ওইরবদি নাগা লমনি হায়দ্রিঙৈদা মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি ফুরুপ কয়াগা মাঙজৌননা ৱা তানরম্বা লৈব্রা? লৈতে, কনাগসু ৱা তানখিবা লৈতে। মখোয় মশানা ৱারেপ লৌজখিবনি। মখোয়না তৌরগনা হেক্তা য়াবা অদুগা অতোপ্পনা তৌরগনা মখোয়গা হান্না ৱা তানগদবনি হেক্তা হায়বসি অঙকপা ৱাফম অমনি। মতাংসিদা মখোয় মশাসি করিবু ওইরি হায়বসি খন্থজবা ঙমদবসিনি য়াম্না লুরিবসি। মখোয়নবুদি মখোয়সি অদু ওইরি, অদা ওইরি হায়না ফোংনা হায়জরিবনি। মদুনা মখোয় মশেলগী মরক্তা হায়নজবনি। মখোয় মশেলগী মরক্তদি য়াদবা থবক লৈতে, ঙমদবা থবকসু লৈতে। অদুবু ৱাফমদু মখোয়গী মরক্তগী লাম্থোরক্তুনা মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা য়ৌরক্লবদি কনানসু য়ানিংদে অদুগা কনানসু অচুম্বা থবকনি হায়না লৌনদে। মতাং অসিদদি মখোয়গী ফিরেপ অদুগী মহি ময়াই য়াম্না চল্লকই। মসিনা মরম ওইরগা মখোয়দা খোয়রাং খোইশাউনবা ফাওরকই। মদুদগীদি মণিপুরগী মীয়াম্না খোয়দৌ শাউনীংগদবা থবক কয়া তৌবা হৌরকই।

মাঙজৌননা ৱা তান্নরম্বা হায়বসিদা অতোপ্পা ৱাফম অমগা অমুক থোক্লকই। ৱাফমদুদি মণিপুর গভর্ণমেন্টতগী তোকখায় তাবা লৈঙাক অমা শেন্বা হায়বদুনি। লৈঙাক্কা মরী লৈনদ্রে হায়বা তাক্লিবা পাউজেল অমনি। মসিবু মখোয়গী লোন্দাদা 'অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট' হায়না কৌই। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা নাগা মীয়াম্বু অচান-মীরায় নাইনা থম্বীরে হায়রিবনি। কম্যুনেল ওইবা গভর্ণমেন্টকী মখাদা হিংজররোই হায়বগী খোঙজং অমনি। অদুনা নাগা মশানা মশাগী লমনি হায়জবা মফম অদুদা মশানা লৈঙাকচবা অদুবুনি মখোয়না অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট হায়রিবসি। মসিগী লৈঙাক অসি মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈগদবা নত্তে হায়রিবনি। য়াম্না চাওখ্রবা থবক অমনি। অরায়বা থবক নত্তে। অদুবু মখোয়গীদমক অলটর্নেটিব এরেঞ্জমেন্ট হায়বদু মীয়ামদা লাউথোক্ত্রিঙৈদা কনা কনাদা ৱা তানরম্মী? হংবা য়াই। মণিপুর গভর্ণমেন্টতা ৱা তানরম্ব্রা? মীয়াম্না খঙই, মীয়াম্না ঙসি নীংশিংলি মখোয়না কনাগসু ৱা তানরমদে ৱাফমসিগী মতাংদা। লৈবাক ঙাকপগী থবকপু কনাগসু ৱা তানরমদবা হায়বসি চৎনবা য়াব্রা? ইন্দিয়াগী করম্বা লোগী মখাদা ষ্টেট অমদগী মচেৎ তারগা অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট অসি শেল্লিবজাৎনো হায়বসি হংবা য়াই। ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা অয়াবা লৌখিবসু থেংনখিদে। মণিপুরগী এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা খন্নখিবা অদুদা অয়াবা পীখিবসু থেংনখিদে। নীংশিংদুনা য়েংবিয়ু কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৪ দা ইন্দিয়াদগী খায়দোক্তুনা পাকিস্তান হায়বা লৈবাক অদু বৃটিশনা শেমখি। মদু পাকিস্তান মশানা মখোয় ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তগী তোঙাঞ্জরে হায়দুনা মশানা লাউথোকখিবা লৈখিদে। লাউথোকপসু ঙমখিদে। বৃটিশনা মায়কৈ অনী অমদি মরী লৈনবা কাঙলুপ পূম্নমক্কা মাঙজৌননা ৱা তানখি। মপাঙ্গল য়াম্না কল্লবা তৌবতা ঙল্লবা বৃটিশনা মীওই পূম্নমক্কা মাঙজৌননা ৱা তানখি। মদু মতম খরা চঙখি। চয়েৎনবা ৱাফম কয়া থোক্লকখি। মতমদুদা ইন্দিয়ানা বৃটিশ অমদি পাকিস্তানবু পামজবা মীওইংদা হায়খিবসি ফুরুপ/কাঙলুপ্তা য়ুম্ফম ওইরগা তোঙানবা লৈবাক অমা শেন্বা য়ানিংদে। মসিনা তুংদা অকায়বা থৌদোক কয়া থোক্লক্কনি। নুংশিনদনবগী মরু হুল্লক্কনি। ঙসিদি হুল্লে নুংশিনদবগী মরু ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান ষ্টেক হোলদর পূম্নমক্কা মাঙজৌননা ৱা তানরগা পাকিস্তান শেমখ্রবসু। মদুবু নাগাগী অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট অসিদি লোনা অয়াবা পীবসু লৈতে বৃটিশকী অদুম হায়না। ষ্টেক হোলদরস পূম্নমক্কা মাঙজৌননা ৱা তানবসু তৌদে। করিগুম্বা ষ্টেক হোলদরস পূম্নমক্কা ৱা তানদুনা তোঙানবা নাগাগী লম অমা শেমখ্রবসু ঙসিগী ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী লোয়বা খম্বা নাইদবা ৱাথোক কয়া অসিগুম্না থোক্তুনা লৈগনি অৱাং নোংপোক লমদমদা। মসিদি মরু ওইনা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ অনীগী মরক্তা য়াম্না নুংঙাইতবা মরী শোয়দনা লৈগনি। ৱাফম অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কৈদৌনুংদা য়ারক্কদবা লৈতে মরমদি ইন্দিয়াদা অনীশুবা পাকিস্তান অমা শেম্বা পাল্লোই। ইন্দিয়া হায়বসি ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লম অমা ওইবনিনা অতোপ্পা ফুরুপশিংনসু মখোয়গী তোঙানবা ষ্টেট অমদি অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট শোয়দনা তাল্লকপগী ওইথোকপা চাউনা লৈরক্কনি। অদুগী ফীভমদু য়ৌরক্লবদি লৈবাক অসিদি করি ওইরকপা য়াই। ফুরুপ খুদিংমক মশাগীতা খনবা, য়েংথিনবা অমদি চায়নপুং অমা ওইরকপা য়াই।

য়ু এন সীনা খূৎলায় অনীখক পায়রি। মদু মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা পূম্নমক কাউথোকপা ঙম্নবনি। মদু অতৈ করিসু নত্তে মদুদি চমজরবা অদুগা থোইদোক্না অরানবা ৱাখল খঞ্জরমদবা নাগা মীচমশিংবু 'অশাওবা পোকহনবা' অমদি 'হরাউবা পোকহনবা' হায়বা খূৎলায় অনী অসিনি। অহানবগী খূৎলায় অসিনা মখোয়বু হন্থনা য়েংবিরে, চাউখৎনবা শেম শাবিদ্রে হায়দুনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসিদা ৱারৌবা অমদি অশাউবা পোকহল্লি। মখোয়না শন্দাক্লিবসি মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মীতৈ অনীসি কম্যুনেল ওইবনি অমদি গভর্ণমেন্ট অসি মীতৈশিংগীদমক্তা লৈগনি হায়বসিনি। মসি অচুম্বমক নৎত্রবসু মীওইবা অমা ওইনা হেক তাবদদি শাউনীংবা ফাওই। তম্পাক্কী লমগা শম্নবা ৱাৎলবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা মীওইশিংনদি হেক তাবদা অচুম্বা ওইরবোই নীংদুনা শাউনীংবা পোকই। অদুগসু অমুক লমন খুম্নিংবা পোকই। মসিগী তাঞ্জা অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবদা কান্নবা ফংলোই হায়বা ৱাফমসি হৌদোকই খোয়শাউনরবা মীয়ামদা। মদুদগীদি পুথোরকই অটলর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট নাগাশিংগীদমক্তা। অদুনা মীয়ামসি মখোয় মতুং ইলহন্দুনা অচৌবা ঈহৌ শাগৎলকপনি। অনীশুবা খূৎলায়দুনা হরাউহনবনি। নাগাশিংগী তোঙানবা লৈবাক অমা শেল্লবদি কনাগীসু মখাদা লৈররোই। মদুদা কম্যুনেল ওইবা থবক হায়বদু লৈররোই। ঐখোয়না ইশাগী চাওখৎনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙমগনি। ইশাগী লম ইশানা ঙাকচবা ঙমগনি নৎত্রবদি নাগাশিং মীখা পোনবা তাবনি। য়ু এন সীগী খোঙজং অসি মখোয় মতোমতনা চঙশিনবা ঙম্বা থবক নত্তে। মখোয় মথন্তা ওইরবদি মীয়াম্নসু থৌশাবিরোই। অদুগীসু মথক্তা মখোয়না চঙশিনবা খোঙজংনা মীয়ামদা অৱাবা পীবসু ঙল্লোই। মীয়ামগী মতেং মথৌ তাবনা নাগা মীচম্বু শাউহনবনি অমদি হরাউহনবনি।

অমরোমদা, চীংগী মীয়াম্না মখোয়না শাউনবা হায়জিনবদা শাউগদবা ৱাফম অমদি চীংদা মীতৈশিংনা খুন্দাদবা অসিসু মরম অমনি। অৱাবা মায়োক্নরিবসি চীংদা চীংমীখক্তনি হায়না লৌই। অদুগা মীতৈশিংনা তম্পাক্তা নুংঙাইনা লৈরে গভর্ণমেন্টসু তম্পাক্তা লৈরবনিনা। মীতৈনা কান্নবা লোয়নমক ফংদুনা লৈরে হায়না খল্লি। মখোয়না লৌনীংবা ৱারেপসু চীংদদি য়াম্না হেক্তা লৌবা ঙম্মী। কনানসু করিমতা য়েৎপীনবা লৈতে করিনা হায়ববু চীংদা খুন্দারিবসি চীংমী ঙাক্তনি। মসি মীতৈনা চীংদা খুন্দারমদবদগীসু অয়াম্বনা থোকপনি। করিগুম্বা মীতৈনা চীংদসু লৈরম্লবদি মীতৈগীসু খোল্লাউ অমা লৈগদবনা চীংমীশিংনা লৌনীংবা ৱারেপ লৌনবা হোৎনরকপদা অপনবা খরদি শোয়দনা লৈরমগনি। মীতৈনা চীংদা খুন্দাদবনা চীংমীশিংনা চীংগী লম পূম্নমক চীংমীশিংগীনি হায়না লৌখ্রে। মসিনি পূম্নমক্কী ওইনা লায়বক থিবসি। মসিদগীনি ঐগী লম অদুগা মীগী লম হায়দুনা ৱাখলনা খায়দোক্নরক্লিবসি। মসিদা অহোংবা লাকহনবা অমা চঙই।

**পোলিটিসিয়নশিংনা খল্লিবসি মীয়াম্বুরা নৎত্রগা ভোটপুরা?**

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

***মীয়ামগী*** থৌগল তৌজগে হায়দুনা চোঙথোক্লক্লিবা পোলিটিসিয়নশিংনা খল্লিবসি তশেংনা মীয়াম্বুরা নৎত্রগা ভোটপুরা? ইন্দিয়াগীসু, মণিপুরগীসু পোলিটিসিয়নশিংনা ইলেক্সনগীদমক অসুক হেঞ্জিন্না থৱায় য়াওশিন্নরকপগী চাংসি উরুরগা, মখোয়না খল্লিবসি মীয়ামগীদমক্লা নৎত্রগা শুপ্পগী ভোটকীদমক্লা হায়বা ৱাখল্লোনসি মীচম-মীয়ামগী মফমদা তত্তনা ফাওহল্লকই। চুম্নগী হায়ফম থোকপা খরা, তৌফম থোকপা খরদু তৌরগা তোক্তবা মখৈ, লৈজবী থানদুনা ইফোং-ফোংনা ভোটকীদমক শিবা-নাবা খঙনরক্তবা মখৈ খোম্নরকপগী ফীভমসিনা তাক্লি মদুদি, 'ভোটপু কাখ্রবদি মখোয় অসুক্কী মতিক মপান নাইদ্রবা কান্নবশিং মখোয়গী মফমদা লৈ'। অদুগা, মীচম-মীয়ামশিংনা ঙসি ফাওবগী মনুংদা পনখৈ লৈতনা তোন্থরবা হক মৎপীখ্রবা মীওইশিং ওইদুনতা লাক্লি। লমদমসিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী থৌদৌদা কৈদৌঙৈদা খক মখোয়না মীচম মীয়ামশিংবু নুংশিবগী মমি অমা ফাওবা তাবা উদ্রি। ভোট্টরশিংদগী ভোটনা হেন্না মমল য়াম্না লৌবা লমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংনি। মতমসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা পোলিটিক্সপু শুপ্পগী মশা-মশাগী মিংচৎ অমসুং ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরি। হৌজিক-হৌজিকমক, লমদমসিদা চথরিবা ভোট খোম্বগী চৎনবী অমদি ভোট ফংনবগীদমক চঙশিন্নরিবা লানওংশিংসি য়াম্না অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটি খুদিংমক্লা য়াম্না কুপথনা য়েংশিনবগী মথৌ তারি।

শুপ্পগী ভোটখক ফংনবা হোৎনবদা হৌজিক মণিপুরদদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ওইনসু ভোট খোম্বগী থৌদৌশিং মহাভারত লানগী মতমদা তেঙ্গোল অনীমক্লা লানগীদমক মীচং খোম্ন বদুগা চপ মান্নে। ইন্দিয়াদা অমদি মরুওইনা মণিপুরদা ইলেক্সনগীদমক খোম্নরিবা ভোট খূৎখোমসি হেনমনবরা খল্লি। মণিপুরদা হৌজিক, লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগীদমক ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেস অমদি বি জে পি পার্টি অনীনা মুক্নরিবা মওংশিং অমসুং য়েৎনরিবা থাকসি তশেংনা অরায়বা থাক অমদা নত্তে। মমৈদা পোলিটিকেল ফিল্ডগী ৱাংমা লান্না চঙশিন্নরকপা য়াবগী অকিবা ফাওবা লৈ। থৌদৌশিংসিমক্তি মরৈবাক নুংশিবগী খুদমশিং খক ওইরোই। পোলিটিক্সতা খোংদারিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিং, লীদরশিং অসুক্কী মতিক তমজনফম ওইদবা, ৱাখল থেনবা অমদি মপূং ফাদ্রিবা (প্রি-মেচ্যুর ওইবা) মীওইশিংগী মওং-মতৌশিং মাল্লি। পোলিটিক্সনিবু হায়রবদি পোলিটিকেল পার্টি মশেনশিং অমগা অমগা হুন্নরগতা লোইরে, চৈনবা অমসুং মুক্ন বশিংতনা পোলিটিক্সকী থৌদাং ওইগদবনি হায়বা থিওরিসি কনানা তম্বীরিবনো? মসি অশেংবা পোলিটিকেল থিওরিশিংদদি য়াওফম থোক্তে। মণিপুরদা হৌজিক চথরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং মশেল হুন্ন-চৈনবগী মওং, মমাঙঙৈদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী ফাওর-ফাওরবা পোলিটিকেল লীদরশিংগী হাকথক্তদি অসুম্না খক ওইরম্বগী মমিশিং তাবা উদে। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী পোলিটিক্স তৌরিবা মীওইশিংগী মওং-মতৌসিদি তশেংনমক কিবা অমা য়াওশিল্লক্লি। থৌদৌশিংসি মতিক চাদবা পোলিটিকেল লীদরশিংগী থৌদৌশিং নত্তনা অতৈ খক ওইরল্লোই। খরুঙ মপান খৌশাবদগী খক হেঞ্জিন্না খরুঙ মনুংদা চঙশিনবা ঙমদবা লীদরশিংগী থৌদৌ তারগা শোয়দনা তোক্কনি। মতাংসিদা অহেংবা লীদর অমগী মতিক হায়বসি কোন্না চেল্লক্কদবা নত্তে, পোকপদগী হৌনা মশাদা লোয়নরক্কদবনি হায়বা ইংরেজিগী পাউরৌদু নীংশিংলক্তবা ঙমদে।

ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা চথরিবা য়ু এন সীগী ব্লোকেদকী মতাংসি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরক্কদ্রা হায়বগী অকিবশিং মীচম-মীয়ামশিংগী থম্মোয়দা ফাওনরি। ফীভমসিদা মণিপুরগী বি জে পি পার্টি অমদি আই এন সী অনীনা অওক-অথোম শান্নদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিগীদমক ভোট খোম্নদুনা, চথরিবা পোলিটিকেল সিনারিওসি ব্লোকেদসিগা মরী লৈননা কান্নবশিং পুরক্কদবা থৌওংশিং মান্দে। য়ু এন সীনা হৌজিক চথরিবা নেসনল হায়ৱে ব্লোকেদসি তশেংনা লায়থোকপা য়াবা ষ্টেজ অমমক্লি হায়বা য়ারোই। নোংম-নোংমগী হেন্না লুশিল্লকপগী মওং উরিবা ব্লোকেদ অমসু ওইরক্লি। হেন্না লুশিল্লক্লিবা থৌদৌ অমনা হৌজিক, লানবা চুম্বগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা, য়ু এন সীগী মেম্বরশিংনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নাগা ইমা ইবেলশিংবু ব্লোকেদকী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্না য়ুনিফোর্ম কাঙবু শীজিন্নদুনা মণিপুরগী তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদবা পোৎ চৈশিং চিংথোকপগী থৌদৌশিংদা অথিংবা পীহল্লক্লিবসিনি। মতাংসিদা মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নাগা ইমা ইবেলশিং অমত্তবু তশেংনা শোকহন্নিংদে। য়ু এন সীনসু ওইরক্লিবা ফীভমসিদা ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থহৌবগী মথৌ তাই। নৎত্রবদি করিসু নত্তবদা হন্দক্কী ৱাথোক মচাসিদগী হৌরগা মণিপুরদা অচৌবা




থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং ফাওবা থোক্লকপা য়াবগী অকিবশিং লৈ। ফীভমসিদনি মীয়াম্না পোলিটিকেল লীদরশিংগী হৈ-শিংবা উৎথোকহন্নিংলিবসি। অদুবু হৌজিক উরিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল সিনারিওসিদদি তশেংনা মতিক চাবা লীদর অমগী মতিক চপ-চানা চেনবা পোলিটিকেল লীদরশিং মীয়াম্না অমা ফাওবা উনদ্রিবগুম তৌই। মতৌ করম্না য়ু এন সীগী ব্লোকেদসি লোইশিনহনখিবা য়াগদগে হায়বগী ৱাখল্লোন পুথোকপা ঙম্নদ্রি। য়ু এন সীগী ব্লোকেদনা চাউদুনা তশেংনা মালেমগী ওইবা ৱাথোক অমগী থাক ফাওবা য়ৌরকহনবা য়াগদৌরিব্রা? ফীভমসিদা য়েৎনরিবা অমসুং হুন্নরিবা মণিপুরগী বি জে পি অমদি আই এন সীগী ৱার্করশিং, অশিংবা মীয়াম্না থোইদোক্না চন্নগদবা মীওইশিংনি খক লৌনীংগনি থাজদে। তশেংনা য়ু এন সীগী ব্লোকেদকী মতাংদা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবশিং লৌনবা হোৎনদুনা লৈথোকহন্নীংদে, লোয়ননা মুক্নরিবা, য়েৎনরিবা পূম্নমক থাদোক্তুনা লিনসু শিবা চৈশুসু তেক্তবা মওংদা চথরিবা ব্লোকেদসি খুদক্তা লোইশিনহন্নবা হোৎনবীফম থোকই।

মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদা খ্বাইদগী কনবা লম্বাশিং ওইনগদৌরিবা বি জে পি অমদি ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসকী মীওইশিংনা হন্দক্কী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী দিমোনেটাইজেসনগী থৌদৌসিদা মাগী মাগী পার্টিগী ওইবা সপোর্টতা অফ-ফত্তগী ওইবা কম্মেন্টশিং পীনরি। ৱাফমশিংসিনা তাক্লি মদুদি, পোলিটিক্সকী মচৎ হায়বা থৌদৌসিদা পোলিটিসিয়নশিংনা কৈদৌঙৈদা খক অচুম-অরান অমদি অফ-ফত্তগী হায়বা খন্থবশিং তৌনদে, মাগী মাগী পোলিটিকেল পার্টিদুগী ওইবা ৱাঙাংশিংতমক ঙাঙলগা লোইরে হায়বসি খন্নে। হন্দক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পুথোকপা দিমোনেটাইজেসনগী থৌদৌসিদা মোদি অমসুং মোদিগী পার্টি ওইরিবা বি জে পিবু নুংশিবা মীওইশিংনা দিমোনেটাইজেসনবু ফৈ অমসুং লৈবাক্কী অফবা খোঙথাংনি হায়দুনা শৌগৎলি। অদুগা মায়কৈ অমরোমদা, ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেস পার্টি অমসুং পার্টিসিবু নুংশিবা মীওইশিংনা দিমোনেটাইজেসন অমদি দিমোনেটাইজেসনগী থৌদৌশিংনা ইন্দিয়া পূম্ববু অরেম্বদা, কান্নদবদা ৱাহল্লে অমসুং মীশি-মীনা থোকহল্লি হায়দুনা কন্দেম তৌনৈ। ফীভমসিদা পোলিটিক্স তৌবা মীওইশিংনা মাগী মাগী পার্টিশিংগীদমক খল্লগা অরান-অহুইশিং খন্থবা তৌদনা, ওইদ-পাদবা কয়ামরুম্বু অচুম্বা মানহন্দুনা হেক্তা ঙাঙই হায়বসি ময়েক শেংনা তাকই। হন্দক্কী মতাংসিদা, কোংগ্রেস পার্টিগী মী অমসুং বি জে পিগী মী হায়দুনা তোঙান তোঙান খায়দোকপগী থৌদৌসু হন্দক্কী মোদিগী দিমোনেটাইজেসনগী থৌদৌসিদগী ময়েক শেংনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি। অসুম্না, মশা মশাগী ফননবা অমসুং তোংজনবগীদমক্তা খল্লগা হীরম খুদিংমক্তা অফবা অমসুং অচুম্বশিং মানহন্দুনা ঙাঙবা-শকপা হৈবা পোলিটিসিয়নশিংবু করিসু খঙজদবা ইচম চমজবা মীচম মীয়ামশিং ঐখোয়না পুমথা-থাজবা থম্বা হায়বসি মতম লৈবা খিবিক্তা খক অচুম্বা ওইগনি হায়বসি থাজদে।

হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনসিদা মায়কৈ খুদিংমক্কী ওইনা, অহনবা অমসুং অনৌবা, মীয়ামগীদমক খনবীগদবা কেন্দিদেটশিং খনবগী থৌদৌ খরা মখৈ ৱানা থোক্লগনি। অদুবু, পূম্নমক খঙমীন্নরবনিনা, মীচম মীয়ামশিং পূনশিনমিন্নদুনা মতমসিগী চৎলিবা পোলিটিক্সকী খোঙচৎসি অমুক্তং পূন্না মায়ওন চুমথোকমিন্নবগী তাঞ্জাদুদি হন্দক্কীসিদা লৌমিন্নহৌসি। অঙৌবা অমসুং অমুবা মচুগী পোলিটিক্স তৌবা মীওইশিং তোঙান তোঙান্না, মীয়ামগী ওইবা অচুম্বা ফিরেপকী মমিশিং ময়েক শেংনা তাহল্লসি। হন্দক্কী ইলেক্সনসিদা শেঞ্জা থুমজা তৌরকপা অমদি ভোটকীদমক শেল য়েনবনচিংবা কয়ানা ইশা ইশাগী ওইনা লেপ্পবা ভোটকী ফিরেপশিংদু কৈদৌঙৈদা খক হোংহনগুমসি। ইলেক্সন কাখ্রবা কেন্দিদেট অমনা মনীং তমখিগদৌবা নুমিৎনা শুপ্পগী মীয়াম্না ভোট থাদনগদৌরিবা নুমিৎ অসিখক্তনি। ৱাফমসি ইরৈপাক-ইরমদমসিগী মীচম মীয়াম ঐখোয় পূম্নমক পূন্না খঙমিন্নরসি।